ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Sunday, March 10, 2019, Imphal


ৱারী ককনাউ

# নমাদি কাই চৎখি

মী অদুক য়াম্বা ইমুং নত্তে। নুংশিবিনে, মাগী মৌপ্বা নুপা অমনে অমদি মমা মপাগদা তরক-তরক লৈজবনি। মৌপ্বাদু কাকফে-কাকফে চৎপা হৈবতা ঙাইহরি। মরোল শুনা থোকত্রিবাা অঙাংনি। নুংশিবিদি চহী ১২মুক শুরে। মী খ্বাইগা মান্নবা ইমুং নত্তে। নোংমগী শূরগা চাজবা ইমুং ওইবনা, মপানা চেক শূবা নুংতিগী চৎলি। মদুদগী ফংলকপা শেনফমনা ইমুং থাক্লি। লৌ লৈতে। ইঙ্খোল মচেৎ অমা লৈ। মরোই মপাং অমদি মতমগী ওইবা এঙ্গাং নাপী খরা থাই, অয়ূক অয়ূক্তা মপানা ইঙ্খোলদু কোয়বনি। নুংথিলদা মচানুপী নুংশিবিনা ঈশিং চাইদুনা হোৎনজবনি। মরৌ-মশিং লৈদুনা ফৌ খিল্লগা চাবা হায়বদু নত্তবনিনা য়াম্না ৱাই। হন দক্তা মমাদু কন্না নারকপদগী লৈখিদবনি। মপানা কন্না লায়েংদুনা হোৎনজবনি। অদুবু অশি কৌবা লাইনা শেৎতুনা পুরগা চৎপীখ্রে। মখোঙ য়াঙখৎলক্লিবা মৌপ্বাদু শেন্নবদা খুবৈ অমা নান্থোকপা ঙমজদ্রবা নুংশিবি লাইরিক তমদ্রে। কমাইনা তমগনি, মানা লাইরিক তমদুনা লৈরবদি অঙাংদুদি কনানা শেন্নবীনি।

নুংশিবিগী মপানা মমাবু অসুক্কী মতিক নুংশিজখি। মানা থবক চৎলুরগা হল্লকপা খুদিংগী মমাবু হেক হেক থি। থোইদোক্লা অরুবা ৱা হায়বগী নৎত্রসু মমাবু হেক্তা হংই। অয়ূক্তা থবক শূরুরসু অদু মঙাই মমায়দা কারকপা হুমাংদু মকোক্তা য়েৎলিবা ফিদুনা তৈথোক-তেথোক্লা ‘‘ইবেম্মা নমাদি’ হায়বা ৱাসি মপাগী হৈনবী ওইনা লৈরবনি। মমানসু মপা হল্লক্লনি হায়বা মতমদা চখোক্তনা ঙাইদুনা লৈ। মমানা নাবা হৌরকপা মতম, অদুক কন্না ঙমদদুনা লৈবদু, মপানা হল্লকপদা ‘‘ইবেম্মা নমাদি’’ হায়না মাঙ্গোলদা হংবা তাবদা ফমুংদা হিপ্তুনা নাহেদুনা লৈরিবা মমানা শোল্লি-শোল্লি, থোরক্লগা ‘ঐ সিদা লৈয়ে, করি হায়গে’’ হায়না থোরকখিবদু ঙসি ফাওবা নুংশিবিনা নীংশিংদুনা লৈরি। নুমিৎতুদা থোঙজিন মপান্দা লেপ্পগা মোমোন নোক্তুনা খুন্নম্বা মমানা খঙহৌদনা থোঙগী থোঙবা পায়দুনা লেকথরকখিবদো কাউবা ঙমদে। অদুক নুংশিরবা মমাগী পাউখুম অদো ঙসিদি নুংশিবিনা তাবা ফংজদ্রে।

অয়ূক্তা মপানা লৈবাক তৌদুনা হুল্লম্বা ফদিগোম ফৈদোমদু, মৌপ্বা নুপাদু মনঙ্গলদা পোনা-পোনা পুখ্রিদগী ঈশিং হোল্লগা চাইরি। ঙরাংতা মরা তাবা হৌরক্লিবা কোবি ময়ামদুসু ঙসাইদগী ঈশিং চাইরিবনি। নুমিৎতু খরা ঙাল্লি। চাউরাক্লা পুং ৩ গুম্বদা তারমখিনি। মপানা সাইকলগী হেন্দলদুদা খাও অমা য়ান্দুনা করি করিনো খরা লৈরক্লগা হরাউনা থোঙ্গালদগী থৌজিল্লক্লগা শুমাংদা খান্নগা মাবু কৌরকপদু তাই।

‘‘ইবেম্মা, নুংশিবি, নমাদি?’’

ৱাহৈদু তাবদা নুংশিবি শ্বাই লাউই, মখূৎতা পায়রম্বা ঈশিং বালটিনদু থন্নগা শুমাং তম্না চেন্থোরক্লগা মপা য়েংদুনা লৈরি। মপানা অমুকসু হরাউ হরাউনা মচাবু য়েংলগা কৌরকই,

‘‘ইবেম্মা, নমাদি, নমা কায় চৎখ্রে?’’

‘‘ববা...’’

‘‘ইহে! নমাবু কাই চৎখিগে হায়বনিনে?’’

‘‘বমা ইমাদি...শিখ্রে’’

‘‘ও! ইপা ৱাখল অমা তৌরুরে?’’ মপাদু হৌজিক্তা ৱাখল লাকপগুম তুমিন ঙাইহাক লৈখি। নুংশিবিদি মপি চদুম চদুম তানা কপ্লি। মপাদি মাগী হৈনবীদুদা হংলুবনি। মচাগী মতৌ উবদা মপাসু মমিৎতা ইরা চেল্লগা তপ্না মচাবু থেমজিল্লি।

‘‘য়াওশঙ ওইরকপসিদা ইপাননে ইচাগী নফি অহনবা লৈরকপনে, সে লৌশিল্লো, ইচাদা পকচব্রা য়েংসি, নৌপ্বাগীসু য়াওরবনি, অমুক্তা লিৎপিসিসে, চাদ্রগা শিল্লুনবা’’

‘‘ববা! য়াওশঙ চান্মা লাকসনু, ঐদি করিসু পামদে, ঐদি ইমা য়াম নুংশি, ইমাদো পাম্মী’’

‘‘ইপাগী ইবেম্মা, মতুংদা ইপা অমুক হন্না ইচাদা নমা কায় চৎখি হংলরোইয়ে।’’

মপা মচা কোনশিন্নদুনা শুমাংদুদা ফনা কুইনা কপমিন্নখি।।◀◀

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

*(...লমায় ৬কী মখা)*

তাঞ্জাদুদা মোংশোং মরক্তগী লাউরকই, তৌউ লাউরিবদু তায় :

- ‘‘লেপ্পু! নখূৎ থাঙ্গৎলু!’’

লাউবগা কাপ্পকপগা শম্নখ্রে, তৌউগী মখোঙদা পাল্লে, তুং হল্লি, গ্রেনেদ থাদোক্তে, তৌউ তূথখ্রে, শিরবোই নীংদুনা খূৎনেক কমান্দোশিংদু চঙশিল্লকই, গ্রেনেদ পোকখায়রকই, কমান্দো মঙা লোইখ্রে। লেমহৌরিবশিংদুনা তৌউদা নোংমৈ কাপশিল্লকই, নমদুনা মাবু ফারে, লোকঅপতা নমশিনখ্রে, ঈ অর অর তানা, পুমচোৎ চোৎনা। মাগী পাম্বোম অনীমক শোক্লে, মখোঙ অমসু। তারমদাইগী নুমিৎ মঙালনা থোঙ অহোবদা লিৎশিল্লক্তুনা তৌউগী ফুরিৎ ঈ তৈবদা য়ৈরবদু মৈরী থোক্লা চাকপা মানখ্রে। মদু উজবদা মানা খল্লকখি, নীংশিংলকখি, ঙুয়েন ভান ট্রোইবু। মাসু অঙৌবা ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাও শেৎখিবনি, নহা ওইরিবা ইলেক্ট্রিসিয়ান্দু। ইচং থৌনা লেপখিবনি মাবু কাপ্তুনা হাৎলগদবা ফয়ারিং কাঙবু অদুগী মাঙদা। মাগী অঙৌবা ফিজোলদু অঙাংবা ওনখিবনি, মখোয়গী থৱায়নি খঞ্জরিবা ফিরাল মচুদু মান্না।

তৌউ ৱাখলদা তাউরি, মাবু ওৎলিবা পুলিসশিংদুগী ৱাহং অমত্তা পাউখুম পীখিদে, মখোয়দা মমায়ফাওবা ওনশিনখিদে। হংবদি তোক্তে: - করিগীনো নঙনা ৱা ঙাঙদ্রিসি, হে হূইগী মচা!

তৌউদু খাঙবা ঙন্নক্তুমাল্লে, খুমদোক্লক্লে:

- ‘‘ঐ ঐগী ইপা, ইয়াম্বা অনীদুবু নীংশিংলিবনি, মখোয়গী খল্লিবনি। মসি ঐগী ইথৌনি, ঐবু ইতোমতা লৈহল্লু।’’

- ‘‘হায় নঙবু সুম কোয়বা লাকপনি খল্লুরব্রনে, মীফত্তা!

খূৎনেক সিফাই অমনা লাউরক্লিবনি।

ফূদুনা চৈদুনা তৌবদুনা কান্নররোই খল্লদুনা কমান্দোশিংদু অমুক তপথরক্লে। থেমদুনা য়েংলক্লে। মাবু হায়বা ইল্লবদি সাইগোন্দা লায়েংবা থাগনি, লাইরিকসু তমহনখিনি, মখোয়গী পাউমী ওইরো, নহারোলগী পাউ পীয়ু হায়রক্লে।

মদু তাবদা তৌউ নোকথোক্লক্লে:

- ‘‘ঐবু অদুম্না থেন্নগা করি কান্নগনি, ঐ অঙাং নত্তে।’’

অদুদগীদি ফূবদু অমুক হৌরে, ফূবু ফূবনে, চৈবু চৈবনে, ওৎপা য়াবা ওৎলবদুদদি তৌউদু ৱান্থখ্রে, লৌশিং তাখিদ্রে।

মথংগী অয়ূক্তা দি সি দু অমুক থুংলরে, নাপলগা লোয়ননা। মহাকসু তৌউগী মাঙদা চৌক্রি অমদা ফন্নরে, মাবু মুন্না য়েংলরে। তৌউ লৌশিং খরা খরা লাক্লে, অদুবু হৌগৎপদি ঙমদ্রে, লৈমায়দা তাদুনা লৈরে। মদু উবদা দি সি দুনা মখনাউ শেংদোক্লগা হায়রকই:

- ‘‘নঙ অমুক থুংঙরে, নৎত্রা? হে ভিয়েট কোংগী মচা! ঐনা হায়বদু চুমদ্রা, ঐখোয়না নঙসি লোইশিলহৌদ্রবদি, নঙনা ঐখোয়বু লোইশিল্লদৌরি, নৎত্রা? হন্দকমুক্তি নমাদু লাক্লরোইদ্রা, কপ্পনে, লাউবনে, হায়জবা।’’

- ‘‘ঐ নখোয়গী থৌজাল মচেৎ অমা পামদে।’’ তৌউনা খুমখি।

- ‘‘অদুদি নঙ হৌজিকসু ৱারী শাবা য়াখিরোই?’’

- ‘‘ঐ নখোয়গুম্বা থাজবা হাৎপা মী নত্তে।’’

- ‘‘অহা! হায় কনা লৈ, চৈ অমতা পুরকউ।’’

পুলিস ওফিসর অমনা লাউখি। চৈদুনা তৌউগী অশোকপা মফমশিংদুদা থিংজিল্লে, অদুগা ওৎখায়খ্রে লৈজবী থাদুনা।

- ‘‘হায়য়ু! নঙ ৱা ঙাঙলদ্রা, ৱারী শাবা য়ারদ্রা?’’ পুলিস অদুনা স্বর থবেৎ হোন্দুনা, মমিত্তি ঈমুক ঙাঙলদুনা ফূবগা হংবগা লোইরে। তৌউ ময়া চিক্তুনা খাঙই, ফাক ফাক নোকই, অঙকপা মতৌ ওইখ্রে, মরিল খাখ্রবা মী ওইরম্লে। ওৎলিবা মীওইশিংদু কিবা অমা য়াওশিল্লক্লে, ৱা অমত্তা ঙাঙনখিদ্রে।

তৌউনা নোকপা হন্থরক্লবা মতমদুদা চোকথরবা দি সি দুসু হৌগৎখ্রে। তৌউদি স্বর হোনখিদ্রে।

মমা টান্টে বাদি ফন্নি ঙসিসু মহৌশা মাগী ফমফমদুদা, ফক্লাংদা ঙারদুনা, গ্যাসকী থাউমৈগী মুশিবা মঙালদুদা। মপান্দনা অমম্বা অহিংদু থুগাইদুনা শিৎলি অকনবা নুংশিৎ। মখোয়গী য়ূমথক্কী টিন অদুনা ক্রেক ক্রাক লাউরি। অরাপ্পদা মেচিন-গন মখোল তারি, খুলগী মচিন অনীদা, পংকাপ্তা কাপ্লি। য়েক্লবা সিফাইশিংদু অকিবা ফাওরে, তৌউ শিখিবদগী নহারোলগী এটেক কনশিল্লকখ্রে। শিবা য়াওরে। খুল কয়ামাসু সিফাইগী মখূত্তগী মনীং তমহনখ্রে।

মহৌশাগুম, টান্টে বাদি নীংশিংবা চাম্মগী মঙলান্দা তাউরি। ৱাখল ফুম্বংনৈ, খনফম খঙদে, অদুবু মমৈদদি হেক্তা তাই, হান্নগী অরংবা লম্বীদুদা, মাগী নুপানা, মচাশিংনা চৎখিবা লম্বীদুদা। লম্বীদুদি পাকখ্রে ফজখ্রে, হরাও-তয়াম্মী। অমুকসু পেন্না কপথোকই:

- ‘‘মখোয় অমতসু ঐবু উনবা লাক্লরোইকো।’’

ৱাখল অসি হেক খল্লুবদা মাগী থমোয়গী শিংলি নাউরি পূম্বা ক্রক ক্রক ফাজিল্লকই। মসিদি খাঙবা ঙম্বা চৈনা নৎত্রে। ওন্থোক্লা কনখ্রে, টান্টে বা কপ্পা খাঙবদা মখা চিক্তুনা লৈখ্রে।

অদুম লৈরিঙৈ, থোঙ হাংদোক্লকই। মাগী পিক্লিবী মচানুপী মাইদু হেক চঙলকই। মচানুপীদু উবদা, মচাদুগীদমক মহাক ৱাদবা ঙম্নক্তে। মাবু কাউরুরে। অঙকপনি! ওইবা য়াই, মচানুপীদুনা পিশক পিক্লিবনা থোইনা মাগী ৱারুদবা। মাদি পিক্লি, চহী ১১বু মপূং ফারমখিরোই।

মাইদু চঙলক্লগা মমাগী নাক্তা ফমথররে। ফমুং মথক্তুদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা হেক থন্নরে। অদুগা মমাগী মখূৎ চেৎনা পায়রদুনা হেক হায়ররে :

- ‘‘কপকনু ইমা! নঙনা পেন্না কপকদবদি লৈবাকসি পূনশিল্লবা মতমদুদনি। হৌজিক কপ্পগী মতম নৎত্রি।’’

মচানুপীগী খোঞ্জেলদু তনিক্তে,, লূম লূম লাউই। মদুদি মচানুপা তৌউনা ৱাহৈশিংদু হায়রম্বা মতমদা ওইখিবা ফীভম অদুমক্লি। টান্টে বাগী তনিক্লবা মখূৎ অদু মচানুপীদুগী কোকথক্তা থন্নকই, মচাগী মায়দা চাইথরক্লিবা শম মচা খরদু হুগৎপী। খঞ্জখি :

- ‘‘ইচাগী শমসি শাংদ্রি, মহাক অঙাং ওইরি।’’

মচাগী মায়থোঙদু পেন্না য়েংজে, মাবু পোকপা নুমিৎতা য়েংখিবা মিৎয়েং অদুমক্লি। ঙসিদি ইনৌ নৌবা মচানুপী অমগা ফংজবগা মান্নখ্রে।

মমাদু মপি শিন্থবা লেপখ্রে খঙলদুনা মচানুপী মাইনা হেন্দ গ্রেনেদ অদু পায়খৎলদুনা ৱা মখা অমুক তারকই :

- ‘‘ইমা! মসি ইবুং তৌউনা পায়রম্বনি। ঐনা মসিবু চেকশিন্না থন্নগনি, খরগা পিরকউ হায়খিনি, নহারোলশিংদা। ঐনা ইবুংগী লমন শোয়দনা শিংগনি, ঐখোয় পূম্নমক্কী লমনসু।’’

টান্টে বা মচাবু খংকোন কোনশিল্লি অদুগা হেন্দ গ্রেনেদ অদু মচাদগী লৌশিল্লি। মসিনা অহানবনি, মাগী পুন্সিদা বোম অমবু মখূৎনা পায়বা। হেক পায়রুবদা বোম অদু মিহুল হুনবগুম ফাওই, অহিংবা পোৎ ওইনা উরকই। স্বর ফূইনা হোন্দোকখি:

- ‘‘ইচাদো! ইচাশিংদো!’’

অথাপ্পদা অহিংগী অচিকপদু থুগাইদুনা গ্রেনেদ পোকখায়বগী মখোল তারকই।

ইংরাজিদা : মাইসা টলাট

মৈতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা

(ভিয়েটনামগী ৱারীমচা)

---

*মতম মতমগী ৱাফম*

# ৪৭শুবা শুম্মাং লীলা চাংদম্নবা



শুম্মাং লীলা হায়বসি খঙদবা, তাদবা, উদবা মণিপুরী পংলৈ লৈরম্লরোই। চহী অমদা অমুক্তা ওইরবসু শোয়দনা উবা ফংলি। শুম্মাং লীলাগী ৱারীসি য়াম্না শাংঙি। হায়নিংঙাই নৈননিংঙাই য়াম্না লৈরম্মী। শুম্মাং লীলাগী হৌখিবা, ওইরিবা হৌজিক্কী ফিভম, চৎনরিবা মওং মতৌ, পারফোর্মিং আর্ট অমা ওইনা, লিট্রেচরগী শরুক অমা ওইনা, এন্টরন্টেমেন্ট অমা ওইনা এদুকেসনগী শরুক অমা ওইনা হীরম কয়া থোক্লা মীৎয়েং থন্নগা নৈনবা য়াবা ঐখোয়গী তাঙলবা লন অমনি হায়বসিমদি হায়দবা ঙমদে। শুম্মাং লীলা কনানা, করম্বা মীশক্লা শান্নবীবগে? শুম্মাং লীলাগী অইবসি কনানো ? শুম্মাং লীলা কনানা তাকপী তম্বীবগে ? লীলা শান্নবীনবা মী লৈত্রবদি পূম্নমক অরেম্বনি। শান্নবীগদবা মীশকশিং অসি য়াম্না মরুওই।

ঙল্লিঙৈগী শুম্মাং লীলা হৌরকপদা অইবা লৈরমদে, তাকপী তম্বীনবা লৈরমদে। লীলাসু হায়রমদে। ফাগীদগী লীলা লাকখি। শান্নরিবা, উৎলিবা মীশক অদুগী হৈজ-শিংজবা, পীথোকলকপা মতৌ, ৱাঙাঙ অদুবু নুংঙাইদুনা মীয়াম্না য়েংনবদগীনি ফাগী কৃষ্মেদগী লীলা লাকখিবসি। হৌরকপদা লীলা শান্নগদবা মীসু মশীং য়ামলকখিদে। মীওই অমা,অনী অহুম্না শেমলকখিবনি হায়বসি ঐখোয়না থিজিন হুমজিনবদগী খঙনখ্রবনি। মতমগী ইরক্লিবা হোংলকলিবা অসি লেপ্তে। নিংথৌ পাল্লম্বা মণিপুরনি। সাহেবকী লৈঙাক লৈরমখি। মীরোল অমদগী মীরোল অমদা অহোংবা কয়ানা য়ানশিনখিবনা ঙসিগী শুম্মাং লীলাগী মশক মওংদসু চাওনা হোংলকখি।

ঙসিগী মীরোলনা শুম্মাং লীলা অসি উরগসু খঙবীরগসু, হোংলকখ্রিবা মশকশিং করিনো হায়বসি মাইকৈ হীরমসিদা কূপ্না য়েংবীবা থিজিনবিবা নৎত্রগদি হায়বা ঙম্মোই। শুম্মাং লীলাগী মরমদা থিজিনবা মীগী মশীংসু য়ামদে। লীরবা আর্টফোম অমা ওইরিবা শুম্মাং লীলাগী মরমদা শুগায়না ইবা লাইরিক লৈত্রি। মসি ঐখোয় মেনশিনবা তঙাইফরকত্রে । শুম্মাং লীলাদি য়েংবীরিবশিংনা নুংঙাইনা য়েংবীবনি। হৌজিক্কী মতমদা লীলা শান্নবীরিবশিংনা মায়োক্নরিবা, থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, চৎনরিবা মতৌ ময়াম অসি ঐখোয়না মপানথোংদা উবা ঙমদে। শক্লাইখিবা লীলা ইবা জি.সি. তোংব্রানা হায়খিবা অমা লৈ- ‘‘বাবুনা কপ্পা কপ্পা লীলাদা পাউ তম্মী। মীয়াম্না নোক্লা নোক্লা লীলা য়েংলগা তায়।’’ তোংব্রানা হায়খিবা ৱাহৈ অসিমকসু মীয়াম্না নোকই অদুবু জি.সি. তোংব্রাদি নোক্লবা হায়খিবা নত্তে । কনাগুম্বনা অমুক হায়রকপা য়াই-লীলাসি নুংঙাইবগী য়েংনবনি, লীলাদি কপ্পবা য়েংবা নত্তে। হায়নিংঙাইসু য়াম্না লৈ, খূম্নিংঙাইসু য়াম্মী, য়েৎননিংঙাইসু কোঙ্গাইনি ।

শুম্মাং লীলাবু চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বা, অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবীখিবা মখোং শোন্বীরম্বা লমদমসিগী ওঝা-গুরু,স্কোলারশিংগী মনুংদা প্রোফেসর ই.নীলকান্তা,নিংথৌখোংজম তোম্বী (এক্সএম.পি),জি.সি. তোংব্রা,চোংথাম মণিহার,চোংথাম সমরেন্দ্র,লৈমপোকপম ডামুদোর, রতন থিয়াম, অরাম্বম সমরেন্দ্র, অরাম্বম লোকেন্দ্র, অমদি সনখ্য ইবোতোম্বী ওঝাশিং অসি মরুওইবা ঙাক্তনি। ওঝাশিং অসিনা শুম্মাংলীলাগী অহল লমনশিংগী চাউখৎনবা হোৎনবীবদা মাইকৈ কয়াদা পূক্লিং থৌগৎপীখি। ৱর্কশোপ, সেমিনার পাংথোকপা, খন্ন-নৈনবা থৌরম পাংথোক্তুনা শরুক য়াখি। মীরমদা শুম্মাং লীলা মশক তাকপদা থৌদাং য়াদুনা লাকখি।

মণিপুরী শুম্মাং লীলাগী খোঙচৎ নৈনরকপা মতমদা নুপী লীলাগী মতাং অসি চিখরম্বা য়ারোই। নুপী লীলাসু মণিপুরদা পংনৌ নৌদ্রে। নুপীলীলাগী পুৱারী অমা শেম্বা য়ানবা মচাক লৈরে। নুপী লীলাবু চাউখৎনবা কন্না হোৎনখিবা মীশক অমা ঐনা হায়জবা তারবদি ওঝা অরাম্বম সমরেন্দ্রনি হায়জনিংঙি। নুপী লীলাদি নুপা লীলাগুম্না শুম্মাংদা মীনা কৌদুনা শান্নবা ওইদে। মরম অসিনা ‘নুপী শুম্মাং লীলা’ হায়ববুদি ‘নুপী লীলা’ খক্ত হায়বনা হেন্না চূনগনি। নুপী লীলাদি নুপা লীলাগা চাংদম্না য়াদে মাগী ওইবা শাজৎ অমা লৈজরি। নুপী লীলাদি নুপা শুম্মাং লীলাগুম্না শেন তানবগী লমদা চঙশিনবা ঙমদে। নুপীলীলা হায়বা অমখক লৈরি হায়বগী মওংদা উৎননবা শান্নবা ওইনা মীয়াম্না উবীরবসু, নুপা শুম্মাং লীলানা তৌদ্রবা অমখক্তি নুপীলীলাগী ইমা ইবেনশিংনা কন্দুনা লৈরি। মণিপুরগী ফোকপ্লে,নীংথৌরোলগী ৱারীদা শান্নবা লীলা য়েংগে হায়রবদি ইমা ইবেনশিংনা শান্নবা নুপী লীলা অসিখক্তদা উরি। লমদমসিগী ফোকপ্লে লমদমসিগী নুপীলীলা কাঙবুনা ঙাক শেল্লি, উৎলি, নুপীলীলানা হিংহনবীরি। নুপী লীলানা অচৌবা মফম অমা কনবীরিবসি পূক্লিং থৌগৎপীফম থোকই। নুপী লীলা কাঙবুনা শান্নজরিবসি চহী অমগী মনুংদা অমুক্তা পাংথোকপা ষ্টেট শুম্মাংলীলা ফেষ্টিভেল অসিদা উৎচবসিখক্তনি। ফেষ্টিভেল অসিদা উৎপা লোইরবদি মখা উৎনবা মফম লৈতবগুম উরি।

লীলা অমা পানখৎলকপদা চঙলিবা শেনফমশিং হঞ্জিনলক্লবগী মফম নুপীলীলা কাঙবুদা লৈতে । পামজবগী, পারফোর্মিং আর্ট মখল অসিবু নুংশিজবগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিংনা নুপীলীলাদা য়াওদুনা শক্তম লাংজবতনি। মণিপুরদা শুম্মাং লীলাগী ফেষ্টিভেল অসি হৌজিক্তি মখল অনীদা উবা ফংলে। ‘নীংথম কৃষ্মে’ হায়বা অমা, ‘ওল মণিপুর শুমাংলীলা ফেষ্টিভেল’ হায়বা অমা অনীসিনি। নীংথম কৃষ্মে হায়বা শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল অসিদি মণিপুর ষ্টেট শুম্মাং লীলা কাউন্সিলনা শীনবীবনি অদুগা ওল মণিপুর শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল অসিনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবীবনি। অহানবগী নীংথম কৃষ্মে হায়বা ফেষ্টিভেল অসিদদি নুপী কাঙলুপ শান্নবা য়াওদে। নুপী কাঙলুপনা শুম্মাং লীলা ফেষ্টিষ্টিভেলদা শরুক য়াবা ফংজবসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল অসিখক্তনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেলদা নুপী কাঙলুপ য়াওহল্লকখিবসি কুইদ্রি হায়বা য়াই। নুপী লীলা কাঙলুপ হেক লৈরকখিবা পংকুই কুইনদনা আর্টফোম অসি য়োকখৎনবা অমদি চাউখৎনবা পান্দমদা একাদেমীনা থবক লৌখৎপীরকখিবনি।

৪৭ শুবা ওল মণিপুর শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল ২০১৮-২০১৯ মমাং থাগী ফেব্রুৱারী ২৭তগী হৌদুনা নুপী লীলা ঙাক্তগী চাংয়েংনবা লোইখ্রে। পূন্না নুপী লীলা কাঙলুপ তারানিথোইনা শরুক য়াখি। নুপা শুম্মাং লীলা কাঙলুপ মাপলনা শরুক য়ারি। নুপীলীলা কাঙলুপ্না নুপা শুম্মাং লীলা কাঙলুপ্তুগী মশীং অহুম হেন্না থোকলকই। থৱায় য়াওবসি নুপী কাঙবুনা হেনগৎলকই। অহান অকোন তাবা ফাওবগী মিং লাওথোকখ্রে। হৌজিক নুপী লীলা অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা শান্নখিবা অদুদগী হৌজিক্না হেন্না খোঙচৎ য়াঙনা চেনখৎলকই। নুপী লীলা হায়জরগসু হোৎনবা কনবা থৱায় য়াওজবগী মমি উবা হেনগৎলকই হায়বসি হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিদা উবা ফংই। চহী শাংনা নুপী লীলা কাঙবুদা য়াওদুনা ঙসিফাওবা লীলা কুমজরিবা ইচে ইচল খরসু হন্দক্কী ফেষ্টিভেলদা উই। হেন্না থাগৎচনিংবদি নুপা শুম্মাং লীলা কাংবুদি তোয়না শান্নবা চৎপনিনা প্রাকতিস অদুম তৌদুনা লৈরি হায়বা য়াই। ইচে ইচলশিং অসিদি ফেষ্টিভেল ময়া য়ৌরক্লবা মতম খরতদা লীলা তমদুনা পানখৎচবনি। অদুগীসু মথক্তা নুপাগুম্না মতম য়াম্না ফংজদে। য়ূমগী থবক ইনখাং অতৈ অতৈ লোইশিঞ্জরম্নগা অতেনবা মতম খরগী মনুংদা লীলা অমা পুথোক্লবা হোৎনজবনি। নুপী লীলা নুপা লীলা কাঙবুগা লম্বা পানবা য়াদে অদুবু নুপা লীলাদগী তাদনা ফম্বাক্তা উৎপা ঙম্বসিমদি ঐখোয়না পূক্লিং থৌগৎপীফম থোকই।

ফেষ্টিভেলগী মকোক মথং তাবা হায়বসিদি লাইবক্কী ৱাফম্নি। জুরিশিংনা লেপখিবা অদুনা অরোয়বা ৱায়েলনি। কনাসু লাল্লি নৎত্রগা চুম্মী হায়না ৱাকৎলুবা য়ারোই তৌসু তৌনদে। হন্দক্কী নুপী লীলা ফেষ্টিভেলদা নীংথিজনা উৎখিবা, করেক্টর খঙনা শক্তম লাংখিবা অমদি ওইফম থোকপা শাথেক, ৱাঙাঙ, ঙাঙনখিবা ডাইলোগকী খোন্থোক্কী য়ৌফম থোকপা চাং, মিৎয়েং নয়েং শাফু কন্না শান্নখিবা লীলা লৈখি। ফেষ্টিভেল শান্নখিবা কুইদ্রিবনিনা লীলাগী মমিং মথা পন্দুনা নৈনবদি চুল্লোই। হায়জনিংলিবদি, লীলা নুংঙাইখি ফজৈ হায়বসিনা অয়েংবনা হায়গনি, জুরিনা য়েংবনা ফজব্রা য়েংবখক নত্তবা কাঙলোন অতৈ য়াওনা য়েংলকখিবনা মীচম্না য়েংবগা খেন্নরকপা লৈগনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লমদমসিগী ইচে-ইচল, ইমা ইবেলশিংনা ‘নুপী লীলা’ হায়না খঙনবা মখলগী লীলা পুথোকলকপদা চোপত্রে। মণিপুরী ফোক লীলা য়েংগে হায়রবদি নুপী লীলা নত্তনা লৈতে হায়বা ফাওবা য়ারি । করেক্টর মশক খঙনা নীংথিজনা নৈনরগা লীলা ফজনা শান্নবা হন্দক্কী নুপী লীলা অসি য়েংজরুবদা খঙবা ঙম্মী।

হৌজিক্তি নুপী লীলাসু চহী অমখক্কী পাংথোকপা ফেষ্টিভেল খক য়াওনবা শান্নবা নত্তবদা চপ চানা নুপাগুম্না শান্নবা য়ানবা পোলিসি প্রোগ্রাম অমা থম্বা চুম্মী । ঐখোয়গী মীয়াম্নসু নুপী লীলানি হায়না মওং অমদা থম্বা মতম নৎত্রে । লমদমসিগী পোৎথোক্লি । নুপী লীলা চাউখৎহন্নবা অখঙ-অহৈশিংগী অশানবা মীৎয়েং মথৌ তারে।◀◀

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

---

# অঙাং ওইবা তম্মু

*ঙাইহাক্কী* মমাঙদা ইচানুপা চহী মরি শুরকপতা ঙায়রিবা কোলবি পুরগা ইটালিয়ান রেষ্টুরা অমদা লঞ্চ চামিন্নবা চৎলুই। নাকেন পান্থাগী পূক্লিং হুনা ফজবা মতমনি। মহৌশাগুম ইচানুপাদু মরু খিংই, হরাও-তয়াম্বনা মশাদু থল্লি। ঐখোয় অনীমক্লা ব্রেটরদা পাষ্টা ওইনা মেন কোর্সকী পুরক্লবা হায়খ্রে। মহাক্লা পুরকপা হৌবদা ঙায়রিবা ব্রেদ অদু চাবা হৌরে। অদু ফাওবদা ঐদি ইচানুপা কোলবিনা মাগী মপাদা হিংবগী মরমদা অনৌবা পারা অমগা তম্বীদৌরি হায়বসি খঙলুদ্রি।

অহলখৈনা তৌনবগুম ব্রেদ অদু মপূম ওইনা চাবগী মহুত্তা কোলবিদি অতোপ্পা মওং অমদা চাবা হৌগৎখ্রে। ব্রেদকী ময়ায় চবুক্তগী থোৎতা থোৎপা শরুক অদুমখৈ কোৎতুনা চারগা মকুগী খরা অকনবা অদুদি থনগ্লে। নাকল অমদগী য়েংলগনা, মঙোন্দা লৈরিবা লৌশিংনা থৌইনশিন ওইরগা ব্রেদকী খ্বাইদগী অফবা শরুক অদুমখৈ লৌখৎতুনা চারগা অতৈনা থন্নম্বগী ৱাখল অদু মঙোন্দা লৈরম্মী। ‘‘অঙাং ওইবশিংনা অহলশিংনা তম্নবা হোৎনরিবা পাড়া অদু হেন্না খঙবা মওংদা পোকপদা য়াওরকই।’’ অসুম্না অদুগুম্বা য়াইফরবা নোংজাদুদা ঐগী পিক্লিবা ইচাদুনা ঐঙোন্দা তম্বীখি অসুম্না মদুদি অহল ওইবশিংনা ‘পুন্সিগী মকু’ ওইনা তৌবা শরুকশিংদা হেন্না ৱাখল থিংজিন্দুনা মতম লেল্লি, পুন্সিগী নোংজাশিংদা থেংনরিবা অফবা মনুংগী মচাকশিং অদুদা মীৎয়েং চানহন্দুনা য়েংবগী থবক তৌবদি ৱাৎলি। ঐখোয়দি মায়োক্নরিবা থবকশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা লৈরে, থিগদৌবা বিলশিংগী ৱাখলদা উংদুনা লৈরে, তৌগদবা থবক ময়াম, ফংদ্রিবা মতমগী ৱাফম অসোমদা খন্দুনা অসুম লৈরে। অদুবু ঐখোয়না খল্লিবদুনা ঐখোয়গী তাইবঙবু ওইহল্লি, অদুগা ঐখোয়না খল্লিবশিং অদুনা ঐখোয়গী পুন্সিগী লাইবক লেপকদৌরি, অদুনা অফবা মায়কৈদা ৱাখল খনবা তাবনি।

লাক্কদৌরিবা চয়োলশিং অসিদা নশাগী শান্ননীংবগী ৱাখল পোক্লিবা হায়বদি নহাক্কী মনুংদা লৈরিবা অঙাং অদুগী পুন্সিগা নহাক্কীগা শমজিন্ননবা হোৎনসি। অঙাংশিংগী পোজিটিব ক্বালিটি অদু কূপ্না থিজিনবীয়ু অমদি মখোয়গী এনর্জিনা থল্লবা পুন্সি, মঙলান শাগৎপা ঙম্বগী মতৌ অদুগা ওইনীংবা ফীভমদা ওইজসনু মাঙদা থেংনরিবা মীৎকুপ অদুদা মপূং ফানা হিংবা ঙম্বগী মতৌ অদু তম্নবা তৌসি। অদুগা মদু তৌবা মতমদা লিও রোসটননা হায়খিবদু নীংশিংসি:

নহাক্লা মী অতৈবু খঙগে অমদি মখোয়গা মরী অমা থম্নগে খল্লবদি- মখোয় অদু ফনা চাউবা ওইসনু- অঙাংশিংগী ফীভমদা য়েংলগা মদু ঙমগনি। করিনা হায়ববু ঐখোয় অয়াম্বনা অদুক হাক্লা চাউরে, লৌশিং মপূং ফারে হায়বসি হায়রুবা য়াদবা অমা লৈ - ঐখোয়গী হায়ববু ৱাংবা খরা হেনগৎপা অদুখক্লি। ও, তৌবগীদি, নোকপগী চাং হন্থরকই, শান্নবগী চাং ৱাৎলকই অদুগা অহল ওইরক্লবদা চানবোই চানদবোই মায়খুম মখল কয়া উপ্পকই। অদুবু, ফিজোলদুগী মখাদদি অসুম ওইদুনতা লৈরবা অঙাং অদু ওইদুনা অসুম লৈরি - মহাক অদুগী অচংবা পোৎলমদি য়ামদে, মহাক্কী নোংমগী পুন্সি অদুসু হেলোয়গী ৱারী অমদগী থোইনা তাদে।◀◀

*(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক ‘নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?’ হায়বদুদগী লৌখৎচবা)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*